# COVID -19 Lockdown মতমসিদা লৌমী ঈচিন-ঈনাওশিং অমদি লৌউ-শিংউ তৌবীরিবাশিংনা চৎকদবা ভরত সরকারগী চৎনা পথাপশিংঃ

## লৌউ-শিংউবা অমদি মসিগা মান্নবা থবকশিং Lockdown না কোনশিল্লোইদবশিং

১। শা-শনগী লায়েংশিং।

২। লৌউ-শিংউবগী পোৎথোক্ পুথোক্কদৌরিবা Agency শিং অমদি MSP Operations।

৩। মনা-মশিং য়োনফম্ Agriculture Produce Market Committee না চলাইবা নত্রগা State Government না অয়াবা পীবা মফমশিং।

৪। লৌমী ঈচিন-ঈনাওশিংনা লৌবুক্তা লৌউশিংউবগী থবক্ থৌরমশিং তৌবা।

৫। Farm Machinery গী ৱাইথোক্ - ৱাইশিন তৌফমশিং।

৬। তিলহাক হিদাক্, হার, মরূ – মরূং শাফমশিং - য়োনফমশিং।

৭। লৌউশিংউবদা চংবা খুৎশু - খুৎলাইশিং পুথোক পুশিন তৌবা।

- মথক্কী ওরদর অসি Ministry of Home Affairs, Govt. of India, vide no. 40-3/2020DM-1(A) dated 24th , 25th and 27th , March 2020 addition to clauses 2, 4, 5 and 6 in exception based on request of the Ministry of Agriculture and Farmers Welfare, GOI.

## লৌউ-শিংউ লৌমী ঈচিন্-ঈনাওশিংদা পীবা পাউতাক্ ঃ

### মহী-মরোং খাওবা অমদি য়ৈবা-

নিংথমগী মহী-মরোং খাওবা অমদি য়ৈবা মতমদা তঙাইফদনা পাইখৎপিগদবা COVID-19 শনদোকপা থীংনবা চেকশিন্ থৌরাংশিং। Social Distancing মীওই অমগা-অমগা লাপনা লৈনবা। শাপোন্না খুৎ-শা শেংনা হামদোকপীবা, Mask উপশিনবীগদবনি। Protective ফিরোন শেৎপীবা, খুৎশু - খুৎলাইশিং শেংনা চামথোকপিবা।

- অৱাং ভারত্তা গেহু খাওবগী মতম ওইসিল্লকলবনিনা Combine Harvester State মনুংদা অমদি State অমগা-অমগগী চৎথোক্-চৎশিন্ তৌবগী অয়াবা পীজরে। Repair, Maintenance অমশুং খাওবদা হকথেংননা থবক্ শুরীবশিংনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপীগদবনি।
- হংগাম অসি নিংথম্ মহৈ-মরোংগী অনিশুবা মরূ ওইবা মহী-মরোংনি। খুৎনা খাওবা মতমনি অমদি য়ৈনবশু য়াওখরে।
- মশুরি, চুজাক্, মোরোক্ হৌজিক্ খাওনরি, চনাশু কাওবা মতম্ ওইশিল্লকলে।
- চুশু খাওনরি অমশুং অৱাং ভারত্তদি চু খাওবগী মতম ওইশিল্লকলে।

- ইশাগী চেকশিন্না লু-নান্না Social Distancing হায়রিবা থৌওং অসি মহৈ-মরোং, মনা-মশিং খাওবীরিবা, য়েরূম য়োনবিরিবা, লৌশিনবীরিবা, ঙা ফাবনাচিংবা মতমদা পাইখৎপিগদবনি।
- করিগুমবা খুৎনা খাওবা য়ৈবা তৌবা মতমদা ৪-৫ ফীট লাপনা থবক শুবিগনি। মসিনা থবক শুবিরিবাশিংদা লাপননা থবক্ শুবা ঙমহনগনি।
- থবক শুবীরিবা খুদিংমক্না Mask উপশিনবীগদবনি অমশুং মরক-মরকতা শাপোন্না খুৎ-শা শেংনা হামদোকপীগনি।
- পোথাবা মতম, চাবা-থকপা মতম, পোৎ হাপতোক্-হাপচিন্ তৌবাম মতমদা তঙাইফদনা ৪-৫ ফীট লাপননা তৌবিগনি।
- তঙাইফদবা থবক খকতমক শুবিগনি অমশুং মতম অমতদা মী য়াম্না থবক্ শুবীরৌইদবনি।
- থবক্ শুমিন্নবা মতমদা লাপ্না-লাপ্না শুবিগদবনি অমদি মী পুন্না-পুন্না শুরোইদবনি। শক্ খংনদবা মীগা পুন্না থবক্ শুমিন্নরোইদবনি।
- য়ারিবামখৈ Machine শিজিন্নবীয়ু। তঙাই ফদবা মীতমক্ Machine শিজিন্নবীয়ু।
- চংফমদা শিজিন্নরিবা Machine খুদিংমক্ হীদাক্ কাপথোকপিয়ু, মরক্-মরক্তশু অদুমমক্ হীদাক্ কাপথোকপিয়ু। গরিশিং, বোরানচিংবশু হীদাক্ কাপথোকপিয়ু।
- পোৎ-চৈ য়াম্না পৈশিনবীরোইদবনি অমশুং মপৈ অমগা-অমগা ৩-৪ ফীটতগী তাদনা লাপথোক্না পৈশিনবীগনি অমদি লৌবুক্তা থবক্ শুবদা মীওই ১-২ খকতমক্ শিজিন্নবীগনি।
- চুজাক্ লৈবাক্ হ্বাই খাওবদা শিজিন্নবা Machine শিং শেংনা হীদাক্ কাপথোকপিগনি অমদি শাপোন্না Machine শিং অদু চামথোকপীয়ু।

## পোৎ-চৈ লিবা অমদি য়োনথোক্-য়োনশিন তৌবা ঃ

- কংহনবা, য়ৈবা, হুমবা, চামথোকপা, খনদোকপা অমদি য়োমশিনবা মতমদা Mask শিজিন্নবীয়ু। মসি শিজিন্নবনা শ্বর হোনবদা নুংঙাইতবা থোকহল্লিবা উফুল অমদি ফৎতা-হাওদি অমদি হক্থি কনবদা য়াওরকপা মহীক্-মতাইদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।
- মরূ-মরাংশিং, হ্বাইনচিংবা লিদ্রিঙৈদা ফজনা কংহনবীগনি। হান্না শিজিনন্খ্রবা বোরা শিজিন্নরোইদবনি। নিম মহি চাদা ৫ গী মপাঙ্গল লৈবা ৫% দা তিংথোকপা, নিংথিজনা কংহল্লগা বোরাশিং শিজিন্নবিগনি। পোৎ-চৈ লিবদা শিজিনগদবা বোরাশিং মারাং কাইনা Cold Storage/Godown, অমদি Warehouse না চিংবা মনাক্তা ফংহনন্নবা হোৎনবিগনি মসিনা বোরাগী মামন খংহনবদা মতেং পাংগনি।
- পোৎ-চৈ হাপতোপ্-হাপচিন্ তৌবা হোনদোক্-হোনজিন্ তৌবা, য়োনবা মফমশিং, কৈথেল্, auction তৌফমশিং personal safety measures লৌখৎপিগদবনি।
- মরূ-মরাং পুথোক্লিবা লৌমীশিংনা মরূ-মরাংশিং Seed Company শিংদা পুথোক-পুশিন তৌবগী অয়াবা পীরি অমদি পৈশা লৌথোক্-লৌশিন তৌবদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপিগনি।

- Seed Processing, Packing plants অমদি Transportation seed পুখোকলিবা State শিংদগী Seed থাবীরিবা State শিং, South to North State শিংদা লাক্লীবা Kharif crop কীদমক্ ফংহনগদবনি। খুদম ওইনা SSG অশংবা শজিক্ অসি লাক্লীবা April থাদা থাগদৌরিবা অসি অৱাং ভারত্তা খা ভারত্তগী State শিংদগী লাক্কদৌরিবনি।
- অশংবা মনা-মশিং খুদম ওইনা খামেন অশিনবা, কোবী লৈ, মোরোক্, মানা মশিং, থবী, খোংদুম মাইরেন্নচিংবা, য়োনথোক-য়োনশিন, পীথোক-পীশিন তৌবদা চেকশিনবীগনি।

## মহৈ-মরোং ঃ

- গেহু হৌরিবা মফমশিংদা অইং-অশাগী চাং খরা নেম্না লৈবনা গেহু খাওবগী মতম য়াম্দ্রবদা নুমিৎ ১০ নিদগী ১৫ নি April ১০গী মতুং ফাওবা চোনথনবগী ওইথোকপা লৈ। মরম অসিনা লৌমী ঈচিন-ঈনাওশিংনা April ২০ ফাওবদা গেহু খাওবদা থোইদোক্না চাথোক্ হনথহললোই অমদি লৈথোক্-লৈশিন্ তৌবগী মতম ফজনা ফংগনি।
- থা ভারত্তগী নিংথমগী ফৌ পাম্বীশিং neck blast না পাক-শন্না অমাং-অতা থোকহল্লি মরম অসিনা চান্নবা হীদাক্ মী নেক্লগা নত্তগা লৌমী ঈচিন-ঈনাওশিংনা কাপথোকপীগনি।
- করিগুম্বা মতমদা মতম নত্তনা লৌ লোকপা মতমদা নোং চুই। নোং চুরক্লবদি থুম ৫% মহি কাপথোকপীয়ু মসিনা ফৌ ময়োল্ চোংলকপদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।
- Horticultural Crops মরু ওইনা হৈনৌ পাল্লকপা মতমদা হার কাপথোকপীবা, হীদাক্ চাইথোকপীবা অমদি য়ানথোক্-য়ানশিন্ খুৎশু-খুৎলাই চামথোকপা মতমদা মতাং-মতম্ চানা চেকশিন থৌরাং লৌকৎপীগনি।
- কালেনগী হ্বাই পাম্বীশিং, ফৌগা লোইননা থাবিরিবাশিং Yellow mosaic virus তগী ঙাকথোক্লবা White fly শিং ঙাকথোক্লবগীদমক্ চেক্শিন থৌরাং পাইখৎপিগনি।

***Translated by***

**Dr. R.K. Imotomba Singh**

**Sr. Scientist & Head**

Krishi Vigyan Kendra, Bishnupur district, Manipur